ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এনভাইরোনমেন্ট ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট সর্ভিসতা প্রমোশন পীরকখ্রবা মণিপুরগী ফোরেষ্ট ওফিসর ১১গী মনুংদা খরবু তরাম্না ওকপা


হোমকমিং অমসুং মতুং - ১৭ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ থায়নঙৈদগী মীওইববু ওৎলক্লিবা টিবি...

'ইরমদমসি তংদু লৈতাবা লমদম ওইহনসি' ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ এমসুনা রিএলাইজেশন দে মীকপ থোকপা...

পাকিস্টাননা কাবুলগী রিহেবিলিটেশন... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ য়ুনাক্কো কপঃ হৌদোকপা নুমিৎতা এম...


ঙরাং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী তরেৎশুবা মীফমগী অরোইবা নুমিৎতা হাউসনা পাস তৌনবগীদমক মণিপুর এপ্রোপ্রিএশন (নম্বর টু) বিল ২০২৬ খন্নরকপদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা শরুক য়াবা





Vol. 50, Issue No. 334 | য়ুমশকৈশা, লমতাগী ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, March 18, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# লোকল বোদি লৈতবনা গ্রান্টনচিংবা মাঙজরে হায়বসি অচুম্বনি লোকল বোদিশিংগী মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনগনি : সী এম

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস) :** ইলেক্টেদ লোকল বোদিশিং লৈতবনা ষ্টেট অসিগী ফংফম থোকপা গ্রান্টনচিংবা মাঙজবা য়াম্না লৈ হায়বসি অচুম্বা ৱাফমনি। লৈঙাক্লসু লোকল বোদিশিংগী মীখল অথুবা মতমদা পাঙথোকপা য়ানবা হোৎনগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেমব্লিগী অরোইবা নুমিৎতা হাউসনা খন্নরগা পাস তৌনবা দিমান্দ ৭ পুখৎলকপদা য়াওবা মাহুদকী দিমান্দদা কোংগ্রেস এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা পুখৎলকপা কট মোশনগী পাউখুম পীরদুনা ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

মেঘচন্দ্রনা হায়, অর্বান লোকল বোদিশিংগী মীখল অসি অরোইবা ওইনা কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবদগী কুমজা ২০২১দা চহী ৫গী টর্ম লোইরবা মতুংদা ঙসি ফাওবা পাঙথোক্ত্রি। মে ৩, ২০২৩দগী থোরকখিবা ঈরাং অসি হৌরক্ত্রিঙৈগী মমাঙ নোর্মেল ওইরিঙৈদসু মীখল অসি পাঙথোকখিদবা করিগীনো হংলদুনা অর্বান



লোকল বোদিশিং খক্তা নত্তনা পঞ্চায়ট অমদি চীংগী এ দি সীশিংগী মীখলসু পাঙথোক্ত্রি হায়খি।

লোকল বোদিশিংগী মীখল তৌদবনা দেমোক্রেটিক দিসেন্ট্রেলাইজেশনগী স্পিরিট অদু মাঙহল্লে অমদি মীয়ামগী হক খোঙ্গাওনরে হায়খি।

মোশন অসিগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হন্দক



অনৌবা লৈঙাক লাকপগা লোকল বোদিশিংগী মীখলগী মতাং অসি কেবিনেটতা পুথোক্তুনসু খন্নরে। এ দি সীগীসু রেকমেন্দেশন পীরক্লবা খঙহনখ্রে। ইলেক্সন কম্মিশনগা তান্নদুনা য়াম্না থুনা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

অতোপ্পা ৱাফম ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# চীংদা পোপি থাবগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ১০গী ভিলেজ চীফ ১৬ য়াওনা মীওই ৮১ ফাগৎখ্রে : লোসি দিখো

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস) :** চীংদা পোপি থাবগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ১০দগী ভিলেজ চীফ ১৬ য়াওনা মীওই ৮১ ফাগৎখ্রে হায়না ফোরেষ্ট, এনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী লোয়শঙ পুরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কুমজা ২০২৬-২৭কী বডজেট সেশনগী অরোইবা নুমিৎকী ক্বেশন অৱারদা কোংগ্রেস এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা হংলকপা ষ্টার্দ ক্বেশন অমগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্টরনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টতগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট ১০দগী ভিলেজ চীফ ১৬, লম মপু অমা অমসুং পোপি থাবা মীওই ৬৪ পূন্না ৮১ পোপি পাম্বী থাবগা মরী লৈননা ফাগৎখি অমসুং কেস এফ আই আর ৪৪ ফাইল তৌখি হায়খি।

ৱাহং হংলকখিবা এম এল এ লোকেশ্বরগী মায়কৈদগীদি ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা কয়া য়াম্না চৈরাক পীখ্রবগে হায়না মখা তানা



হংলকখিবগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা হায়, চৈরাক পীবগী মতাংদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈতে অদুবু পোপি থাবগী থৌওং অসি অচৌবা ইস্যু অমা ওইবনিনা লৈঙাক্লসু কন্না মীৎয়েং চঙলি হায়খি।

অমরোমদা, ফায়র প্রোটেক্সন এন্দ কন্ট্রোলগী



দিমান্দস ফোর গ্রান্টসকা মরী লৈননা এম এল এনা পুখৎলকপা কট মোশনগী পাউখুমদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, মণিপুরগী কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংমক্তা ফায়র সব ষ্টেশনশিং হাংদোক্লবা লৈঙাক্লা কন্না হোৎনরি। অদুবু মৈহৌ লাংপোক থোরকপদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## য়ুহা হাবগী মহয়

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭(ঐচএনএস) :**

ঙসি (মার্চ১৭,২০২৬) লমতগী ২৮নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.০৯দা মণিপুরদা ময়ায় ওইরপ ওইনা য়ুহা হাখ্রে হায়না লাইনিংথৌ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## ফোক এন্দ ক্রিএটিভ ম্যুজিক ফেষ্টিবেল

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭(ঐচএনএস) :**

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরি সুনন্দ থোকচোমগী চেরোল অমদা হয়েংদগী হৌরদুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা উখ্রুলগী ন্যু কান্ননগী কম্যুনিটি ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## জে এফ দিগী খোঙজং হন্দ্রি
# ইম্ফাল ইষ্টকী সেন্সস ওফিসতা থোমজিল্লকপদা পুলিসকা চাউনা মূক্নখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সেন্সস ২০২৭ পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরকপদা মণিপুরগী ওইনদি ষ্টেট অসিদা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা কেম্প্যেন ফোর জষ্ট এন্দ দিলিমিটেশনগী মখা তারকপা খোঙজংদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী সেন্সস ওফিস তম্না



লৈরিবা মীতোপশিং খন্দোক্লবা মতুংদা সেন্সসকী থবক পাঙথোকপীয়ু হায়দুনা মীয়ামগা খূৎশম্নরগা থোমজিল্লকপদা পুলিসনা খোঙজংলোইশিংবু পোরোম্পাৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# দিমান্দ ৭ পাস তৌরবা মতুংদা এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম সাইনে দাই এদজোর্ন তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৪দা অনৌবা লৈঙাক লিংলবা মতুং থংনবা নুমিৎতা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম্নু গভর্ণর এ কে ভল্লানা এদ্রেস পীদুনা হৌদোকখ্রবা মতুংদা সাইনে দাই এদজোর্ন তৌরক্লবা মতুং থা অসিগী ৯দগী মখা শমথরক্তুনা চথুরকখিবা বডজেট সেশনদা ঙসি হাউসতা খন্নদুনা পাস তৌনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী দিমান্দ ৭ পুথোরক্তুনা খন্নরবা মতুংদা স্পিকরনা সেশন অসিবু অমুক হন্না সাইনে দাই এদজোর্ন তৌখ্রে।

থা অসিগী ৯দগী চথুরকখিবা মীফম অসিদা সেশন ৭ লৈখি। সেশনশিংগী মনুংদা লৈখিবা বিজিনেশশিংনা ওবিচ্যুরি রিফরেন্স ১৫, হংলকখিবা ষ্টর্দ ক্বেশন ১১, হাউসনা লৌখিবা অন ষ্টর্দ ক্বেশন ৮, ৱিথড্রো তৌখিবা অন ষ্টর্দ ক্বেশন ৩, পুথোকখিবা কম্মিটিগী রিপোর্ট অমা, হাউসনা টেবল তৌখিবা পেপর ১৬, কোল্লিং এটেন্সন মোশন ৩ লৈখি অদুগা ফাইনান্সিএল কম্মিটি অহুমগী মীখল পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী বিল অহুম পুথোকখি অমসুং পাস তৌখি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎতা হাউসনা খন্নরবা মতুংদা পাস তৌখিবা দিমান্দশিংদি - মাহুদকী লুপা ৪৩৯,৮০,৩২,০০০, পি ঐচ ঈ দিগী লুপা ৭১১,১৬,৩২,০০০, ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপশন দিপার্টমেন্টকী লুপা ৭,০২,০১,০০০, ষ্টেট এক্সাইজগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# মীঙোন্দগী শেল পুরগা থাবা মহে-মরোং লোক্লগা শীংগদবদা লেননা ফূদৎপদগী লৌমীশিং মমিৎতগী মপি তানা কপ্লে



**ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৫দগী মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ইখঙ খঙহৌদনা লেন অমসুং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ য়াওবা নোং চুরকপদগী য়ূম-কৈ কয়া হুমদোকপা, লৌমীশিংনা থাজবা থবী, খোংদ্রুম, তোর্বোৎ, হৱাইথরাক, ভেলন্দ্রি, কারোৎ অখাবী, চুজাক, চম্ফুৎ-হৱাই অমদি কোবিনচিংবা ফরক্লবা মতমদা পাক্তক্লনা লেন অমসুং নোংনা ফূদৎপদগী অমাঙ অতা থোকহনখিবদা মীঙোন্দগী শেল পুরগা মনা-মশিংশিং অসিবু থাবা অদুগা লোক্লগা য়োল্লবা মতুংদা মীগী শেন্দোল অমুক শীংদোক্কনি হায়দুনা হোৎনজবা লৌমীশিং মমিৎতগী মপি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ফোরেষ্ট ওফিসর ১১ আই এফ এসতা প্রমোশন পীরে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭(ঐচএনএস) :**

মণিপুর লৈঙাক্কী ষ্টেট ফোরেষ্ট সর্ভিসকী মণিপুর কেদরগী ওফিসর ১১ ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট সর্ভিস (আই এফ এস) তা প্রমোশন পীরকখ্রে। মসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## ৱাটর সপ্লাই লেপকনি

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭(ঐচএনএস) :**

লৈঙাক্কী পি ঐচ ঈ দিগী ৱাটর প্লাই মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর টুগী ঈ ঈগী চেরোল অমনা নীংথেম পুখ্রি ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অসি মেন্টিনেন্স ৱার্কনা মরম ওইরদুনা থবক লেপ্পগনি। মসিনা নীংথেম পুখ্রি মখা লৈরক, সবি লৈরক, ৱাঙ্খে অন্দ্রো পার্কিং, নোংমৈবুং চকপ্রম ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ক্লাস টেনগী মহৈরোয় ৫ তাম্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭(ঐচএনএস) :**

বোসেমনা লৌদুনা চথুরক্লিবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেশন-২০২৬কী ঙসি সাইন্স সবজেক্ট থোকপা নুমিৎতা পূন্না মহৈরোয় ৫ ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## বি জে পিগী নেশনল প্রসিদেন্ট নিটিন নবিন রাজ্য সভাগী মীখলদা মায় পাক্লে

**ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) :** ইকুই কুইদ্রিঙৈদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী নেশনল প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মায় পাক্তুনা ফম অসি পুবা হৌরক্লবা বিহারগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ওইরমখিবা নিটিন নবিন ঙরাং পাঙথোকপা রাজ্য সভাগী মীখলদা মায় পাকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউস ওইরিবা রাজ্য সভাদা ষ্টেট ১০গী হাঙলগদবা ফমশিং মেনশিন্নবগীদমক ঙরাং পাঙথোকখিবা রাজ্য সভাগী সিট ৩৭কী মীখলদা নিটিন নবিন বিহারদগী মায় পাকখিবনি। ঙরাং পাঙথোকখিবা মীখলদা অপূনবা সিট ৩৭কী মীখল পাঙথোক্কদবা সিট ২৬তি মীরেপ ওইরিবশিংগী মায়োক্তা লম্বা থোরক্তবদগী মীখল পাঙথোকখিদে। অদুগা লেমহৌরিবা সিট ১১গীদি লম্বা চোংথোরকপদগী মীখল পাঙথোকখি।

মীখল পাঙথোকখিবা সিটশিং অদুদি বিহারদা ৫, ওড়িষাদা ৪ অমসুং হরয়ানাদা ২নি। বিহারগী ওইনা খ্বাইদগী শাংনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখিবা নিটিশ কুমারসু ঙরাং পাঙথোকপা মীখলদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# তুরেল অমনবী অমসুং লিলাখোং মরীল শেংদবদগী অকনবা নোং চুরকপদা হায়ৱে ঈশিং থুম্লে

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা তুরেল অমনবী অমদি লিলাখোং মরীলগী খোংনুং চহী কয়া শেংদোকপীরক্তবনা অকনবা নোং অমখক্তং চুরকপদা এন ঐচ-১০২ পরিংগী ককৱা কৈথেলদগী শীংজমৈ মখা ৱাইখোমলৈকায় ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা হায়ৱে অসিগী দিভাইদরগী মনীং অমসুং মমাঙ থংবা শরুক অনীমক ঈশিং থুমজিনবদগী মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে।




চহী খরগী মমাঙদা তোয়না ঈশিং থুম্লিবা লম্বী অসিগী অকুৎপা মফমশিং ফুট অমরোম হেন্না ৱাংনা থোনগৎতুনা মথক্তা কোয়লাস থাখ্রবনি। মফমশিং অদু থোনগৎতুনা কোয়লাস থাবা লোইখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায় এরিয়াগীদি ...মখা লমায় ৬ কলম ২

# শেঞ্জা-থুমজা অমদি অরানবা তৌবগা মরী লৈনবা কেসশিং ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপশন দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙদ্রে : কে মেঘচন্দ্র

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস) :** শেঞ্জা-থুমজা অমদি অরানবা তৌবগা মরী লৈনবা কেসশিং লৈঙাক্কী ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙদ্রে হায়রদুনা এম এল এনা থাঙ্গৎপা কমপ্লেন্ট ফাওবা মখা তাবা থবক অমত্তা পায়খৎতনা লৈরে হায়না কোংগ্রেস এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিসু করপসন তৌবদা য়াওরব্রা হায়না এসেমব্লিদা হংখ্রে।

ঙসি এসেমব্লিগী অরোইবা নুমিৎতা লোয়শঙ অসিগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টসতা কট মোশন থাঙ্গৎলদুনা মহাক্না হায়, এম এল এ অমা ওইনা ঐ ইশামকসু দিপার্টমেন্ট অসিদা জন্যুৱারী ২০, ২০২৬তা কেস অমা পায়খৎপীনবা হায়জখি অদুবু ঙসি ফাওবদা পাউখুম অমত্তা লাক্ত্রি। লোয়ননা অপদেট অমত্তা পীরক্ত্রি। এম এল এ অমনা থিজিনবীনবা হায়বদা ফাওবা অসুম্নাইনা তৌরবদি মীচম অমনা হায়রকপদা করম্না এক্সন লৌগদৌরিবনো হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

থিজিনবীনবা হায়বদা এক্সন অমত্তা লৌরক্তবগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরিদসু, ভিজিলেন্সকী এস পিদসু করি মরম লৈবগে হায়না চেইরে। ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টতা করপশন খরা লৈরে হায়বা চিংনবদগী থিজিনবীনবা ইখিবা অদু ঐনা চিংনরিবা অদু লাল্লম্বসু য়াই অদুবু করি লৈবগে হায়বদুমদি খঙহনফম থোকপনি হায়খি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা অসিগুম্বা কেসশিংদা থবক অমত্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কে সী পি-পি দল্লিয়ু জিনা ৱাফম খরা থম্লক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি - (পিপলস ৱার গ্রুপ) কে সী পি - পি দল্লিয়ু জিগী পি আর ও চীঙ্খেঙানবগী চেরোল অমদা ৱাফম খরা থম্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী ওইরিবা জিওগ্রাফিকেল কন্দিশন হায়বদি মণিপুরদা ঈচাও তোয়না থোক্কনবা, নোং-চীং কন্না তোয়না তাবা লোয়ননা লম্বী থোং ফত্তবনা মরম ওইরগা ত্রাফিক কঞ্জেষ্টেদ ওইবা, মতমগী মতুংইন্না ত্রাফিককী চাং হেনগৎলকপা, দ্রেনেজ সিষ্টম নীংথিনা লৈতবনা মরম ওইরগা ঈশিং তোয়না-তোয়না তুংশিনবনা হান্না পায়খৎলম্বা ব্লেকটোপিং রোদশিং অসি কুইনা শাংনা চত্তবা অসিনা ...মখা লমায় ৬ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# রিলিফ কেম্পতা লৈরবনিনা ঙসি ফাওবদা ইচানা শান্নবা হল্লকপদা শঙ্গোম পীথকপা, য়েরূম পীজবা ঙমদ্রি : ইবোচৌ

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
কাংপোকপী ৱার্দ নম্বর ১৭তুগী খুঞ্জা

## প্রসিদেন্টস রুল চলাইরিঙৈদসু রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পি ঐখোয়গীদি চপ মান্নখি অদুবু অনৌবা লৈঙাক লাক্লবনিনা ঐখোয়বু অথুবা মতমদা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিনহনবীরো

**(হান্নগী মখা...)**

মে ৩, ২০২৩দগী মথোং খঙদবা কুকি-জেগী লমহেন-তুহেনবশিংনা মখোয়গী মিলিটেন্টশিং খক্তা নত্তনা মখোয়গা লোল, লাইনীং অমসুং চাকচা-য়ুথক্লচিংবা মান্নবা ম্যান্মারদগী ফাওবা নারোলদা পুশিল্লক্লগা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়দুনা চথুরক্লিবা তমথীরবা লান অসিগী ৱারোইশিন হৌজিক ফাওবদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পুরক্তবদগী চহী ৩ ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা কাংপোকপী ৱার্দ নম্বর ১৭তগী লম্বোইখোংনাংখোঙগী মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ৫৪ রোম শুরবা লাইফ্রাকপম ইবোচৌ মীতৈনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু শান্ন-খোৎনবগী লম্দা খোঙদারিবা অঙাংশিংদা ময়াম্না পীজনরিবা অদুগুম্না ইচাগীসু শান্নবা চৎলমদাইদা পীজনবা অমসুং হল্লকপদা লফোই, শঙ্গোম অমদি য়েরূম্নচিংবা পীজবা ঙমদে। ইচানা ৱানা শান্নবা হল্লক্লগা চাক থোংলগা পীজবা নত্তনা করিসু অহেনবা অমত্তা পীজবা ঙমদ্রে।

ময়াম অসিগী মথক্তা ইমুং পূন্না হৌজিক ফাওবা লৈমিন্নবা ফংলক্ত্রিবা অসিসু মতম শাংলক্লে। ঐগী লোয়নবীগী মমিং লাইফ্রাকপম ওংবী চিনচিন (হাটকুসিন) কৌই। মহাক কুকি নিঙোলনি। মরম অসিনা লান হৌরকপদগী লাঞ্জেল্লকপদা ইচানুপাগা ঐগনা লাঞ্জেল্লক্লগা ঐগী লোয়নবীনা চহী ৮ লোমদা শুরিবী ইচানুপীগা কাংপোকপীদা লৈহৌখিবনি। ঐগী লোয়নবীসু অমসুং ইচানুপীনসু ঐহাক অমদি ইচানুপা উন্নীংলমগনি। মখোয়না ঐগা ইচানুপাগা উবা ফংদবদগী করম্না মতম লেল্লমগনি খনবদা পোত্থাফম খঙদে হায়রকখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা টেবলদা থবক শুবগী মহুত্তা লৌবুক্তা চৎতুনা লৌমীশিংগী অৱাবা য়েংশিনবীয়ু : কোকোমি এফ দল্লিয়ু



**ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস) :** লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা ওফিসতা থবক তৌবদগী লৌমীশিংনা কুম খুদিংগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরে হায়না কোকোমি ফার্মরস ৱিংগী কনভিনর এল শ্যাম খুমননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ৱিং অসিনা মখোয়গা চৎমিন্নবা লৌমী লূপশিংগা লোয়ননা থা অসিগী ১৫দা লেন অমদি অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মালেম থোঙাম চুড়াচান্দপুরদসু চঙহনখিদ্রে, চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো তম্নসু লাকহনখিদ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):**

মণিপুরগী চহী ৩ ফাজিল্লক্লবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকউ হায়বগী দিমান্দদা পীসকী পাউজেল পুদুনা থা অসিগী ১২দগী মণিপুর ভিজিট ওন সাইক্লিং ফোর পীস ইন মণিপুর হায়দুনা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ শিন থুংনা পীসকী পাউজেল পুদুনা চৎপা হৌরকখিবা সোশল এক্টিভিষ্ট মালেম থোঙামনা ঙসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা চঙগনি থৌরাংলম্বদুসু আই টি এল এফনা কিহল্লকপগা লোয়ননা লৈঙাক্লসু থিংবদগী চঙহনখিদ্রে।

অমরোমদা আই টি এল এফকী ৱাফম অসিগী মতিক চাবা পাউখুম ঙসি অয়ূক পুং ৯ ফাওবগী মনুংদা পীবীনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫